রিপোর্ট তৌরগদবনি

ইম্ফাল, জুন ০৭ : এগ্রিকল্চর দিপার্টমেন্টকী এস এম এ এম (২০১৭-১৮)গী মখাদা ফার্ম মেছিন্নরি অমদি ইক্বিপ্টমেন্ট লৈবগী শেল দিপোজিট তৌখ্রবা বেনিফিসরিশিংনা থা অসিগী ১১ ফাওবগী মনুংদা লৌগদৌরিবা মেছিন্নরি অমদি ইক্বিপ্টমেন্টশিংগী দেলিভরি চলানগা লোয়নননা দিপার্টমেন্টতা রিপোর্ট তৌবীয়ু হায়না এগ্রিকলচর দিরেক্টর পি ঐচ রাজেন্দ্রনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি। চেরোল অদুনা হায়, কম্পেনি/দিলরশিংদগী মেছিন্নরি অমদি ইক্বিপ্টমেন্ট লৌথোকখ্রবা অমদি রিপোর্ট তৌরদ্রবা বেনিফিসরিশিংগী সবসিদি মখা তানা খন্নররোই। মেছিন্নরি অমদি ইক্বিপ্টমেন্টশিং থা অসিগী ১২ দা য়েন্থোল্লগনি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

উ চারা থাখ্রে

ইম্ফাল, জুন ০৭: ৱর্ল্ড ইনভাইরনমেন্ট দেগা মরী লৈননা ঙাইরাংবম মোদেল গ্রাম পঞ্চায়টতা এম পি ডো. টি মৈন্যনা উ চারা থাখ্রে। সনসদ অধর্শ গ্রামিন যোজনাগী মখাদা ঙাইরাংবম মোদেল গ্রাম পঞ্চায়ট অমসুং দিপার্টমেন্ট ওফ ফোরেষ্ট ইম্ফাল ৱেষ্ট দিভিজন অমদি দি সী ইম্ফাল ৱেষ্টনা খূৎশম্ননা শীন্দুনা ৱর্ল্ড ইনভাইরনমেন্ট দেগা মরী লৈননা ঙাইরাংবমদা উ চারা থাখিবনি।

GAS NEWS

ASHANGBI INDANE, SUGNU
Booking Upto:11/04/2018
Valid From:09/04/2018
Stk :306
Timing : 09.00am to 11.00am

CANCHI INDANE SERVICE
Booking Upto:10/05/2018
Valid From:05/05/2018
Stk 14kg :306, Rs.811.50/-
Stk 19Kg: 20
Timing : 08.00am to 10.00am

HRANGCHAL GAS AGENCY, OLD LAMBULANE
Booking Upto:11/05/2018
Valid From:08/05/2018
Stk :612 (Aadhaar Link Consumers Only)
Timing : 07.30am to 10.30am

IMPHAL LPG SERVICE
SL.NO. 19000
Booking Upto:05/06/2018
Valid From:01/12/2017
Stk :306
(Delivery at Heinoupok)

JEMON GAS SERVICE, CHINGAMATHAK
SL.NO. 7200
Booking Upto:24/04/2018
Valid From:13/04/2018
Stk :612
Timing : 07.00am to 09.30am

KHORIPHABA (NAMBOL)
Booking Upto:08/06/2018
Valid From:07/06/2018
Stk :200 (CTC)
Timing : 07.00am to 09.00am

KHONGNANG GAS, NINGTHOUKHONG
Booking Upto:28/05/2018
Valid From:17/05/2018
Stk :612
Timing : 07.30am to 11.00am

LEIBAKLEI, KHONGJOM
Booking Upto:25/04/2018
Valid From:20/01/2018
Stk :306
Timing : 07.00am to 11.00am

LAMSANG GAS AGENCY
Booking Upto:15/05/2018
Valid From:12/05/2018
Stk :306
Timing : 07.00am to 10.00am
(Submit Aadhaar Xerox)

LAMBODARA INDANE
Booking Upto:31/05/2018
Valid From:19/05/2018
Stk :612
Timing : 07.30am to 10.00am

MM GAS SERVICE
Booking Upto:08/05/2018
Valid From:30/04/2018
Stk :612, Rs.811.50/-
(DBTL Only)
Timing : 07.00am to 11.00am

MAHALAKSMI INDANE
SL.NO. 216750
Booking Upto:27/04/2018
Valid From:24/04/2018
Stk :306
Timing : 07.00am to 10.00am

MAIBIA GAS, MOIRANG
SL.NO. 9810
Booking Upto:03/05/2018
Valid From:30/04/2018
Stk :612
Timing : 07.00am to 11.00am

MANIPUR POLICE GAS
Booking Upto:06/05/2018
Valid From:03/05/2018
Stk :306
(Only for CTC & DNSC)
Timing : 08.00am to 11.00am

RBD INDANE SERVICE
Booking Upto:26/04/2018
Valid From:18/04/2018
Stk :612 (Only CTC)
Timing : 06.30am to 10.30am

HIYANGTHANG INDANE
SL.NO. UPTO 270
Booking Upto:25/04/2018
Valid From:24/04/2018
Stk :306
Timing : 07.00am to 10.00am

KHUMBONG INDANE
Booking Upto:09/05/2018
Valid From:07/04/2018
Stk :306
Timing : 07.30am to 10.30am

SAWOMBUNG INDANE
Booking Upto:03/05/2018
Valid From:27/04/2018
Stk :306
Timing : 07.30am to 10.00am

লৈঙাক্কা য়ানবা পুরকপদগী দেসামগী থৌমীশিং কন্দিসন য়াওদনা থাদোরকখ্রে

ইম্ফাল, জুন ০৭ (ঐচ এন এস):

চীফ মিনিষ্টর এন বিরেন অমসুং দেসামগী মীহুৎশিংনা এম ও যু সাইন তৌনখিবগী মতুংদা পুলিসনা ফাজিন্দুনা থল্লকখিবা মহৈরোয় লুচিংবা ৬ চীফ জুদিসল মেজিষ্ট্রেট ইম্ফাল ইষ্টনা লুপা ১০,০০০গী পি আর বোন্দদা থাদোকখ্রে।

কোর্টনা কন্দিসন য়াওদনা থাদোরল্লবা দেসামগী থৌমীশিং অদুদি, ককৱা হুইদ্রোম লৈকায়দগী হুইদ্রোম জোন্সন (১৯) অপোকপা ঐচ ভুবোন, ক্বাকৈথেল ময়াইকোইবীদগী সলাম অকাশ (২৭) অপোকপা এস হেমচন্দ্র, অন্দ্রো কৈথেলদগী লৈসুংবম রাজেশ (২৪) অপোকপা এল কহ্নাই, পোরোম্পাৎ কোংখাম লৈকায়দগী অবুজম মৈরাবা (২৭) অপোকপা এ নুঙ্গাইলেম্বা, খোংমন মণ্ডজিল জোন-১ দগী অরিবম রোনাল্ডো (১৯) অপোকপা এ ইন্দ্রজিৎ অমসুং নম্বোল মাইবম চীংনিংদগী নামৈরাকপম এদিসন (২৮) অপোকপা এন বিমোলনি।

ফারবা মীওইশিং অদু চীফ জুদিসল মেজিষ্ট্রেট, ইম্ফাল ইষ্টতা পুথোল্লবা মতুংদা কন্দিসন য়াওদনা থাদোকখিবগা লোয়নননা জুন ২১ গী মমাংদা অনৌবা স্যুরিটি বোন্দগা লোয়নননা কোর্ট অসিমক্তদা কারল্লবা খঙহনখি।

পনবা য়াবদি, হৌখিবা য়ূমশকৈশা নুমিৎকী নুমিদাং পুং ৪.৩০ দা নেসনল স্পোর্টস য়ুনিভর্সিটিগী কেম্পস লক্কৌদা হাংদোকপগী মতাংদা দেসামগী থৌমীশিংনা চীফ মিনিষ্টরগী বঙ্গলোদা খোঙজং চঙশিনখিবনি। খোঙজং চঙশিনখিবা থৌমীশিং পুলিসনা ফারগা এফ আই আর অমা ফাইল তৌখি।

অমরোমদা, নেসনল স্পোর্টস য়ুনিভর্সিটি ফুল ফ্লেজেদ ওইহনদ্রিফাওবা খোঙজং চঙশিনগনি হায়না দেমোক্রেটিক ষ্টুদেন্টস এল্লাইন্স ওফ মণিপুর (দেসাম)গী প্রসিদেন্ট সলাম অকাশনা পাউমীশিংগা উনবদা ফোঙদোকখ্রে।

মোইরাং লৈরক্তা লৈবা দেসামগী ওফিসতা ঙসি পাউমীশিংগা উনবদা সলাম অকাশনা হায়খি, নেসনল স্পোর্টস য়ুনিভর্সিটি ফুল ফ্লেজেদ ওইহনগদবনি। আউটলাইয়িং কেম্পস হাংবীগনু হায়বনি। মসিদা হাংনবা হোৎনরকপসি লাইবক থীবনি। ফুল ফ্লেজেদ ওইদ্রিবা ফাওবা দেমোক্রেটিক ওইবা খোঙজং চঙশিনগনি। মে থাদগী খোঙজং চঙশিন্দুনা লাকপনি। ইন্টর্ভ্যিু তৌনবা স্পোর্টস জর্নেলিজম, স্পোর্টস মেনেজমেন্ট অমসুং স্পোর্টস পর্ফোমেন্স এনালাইসিসকী ওর্দর থোক্লকপনি। মসিনা মরম ওইরগা খোঙজং কনশিনখিবনি। ইন্টর্ভ্যিু পোস্পোন্দ তৌখ্রে। ঐখোয়না পাল্লিবদি পোস্পোন্দ তৌবা নত্তে, ইন্টর্ভ্যিু কেন্সেল তৌবনি। য়ুনিভর্সিটি অমা ওইবগী লৈফম থোকপশিং অদু শুনা লৈহল্লবা মতুংদা হাংগদবনি। টিচিং অমসুং নন-টিচিং ইনফ্রাষ্ট্রকচরনচিংবা কয়া শুনা লৈহনগদবনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

পাউমীশিংগা উনখিবা অদুদা শরুক য়ারদুনা দেসামগী ভাইস প্রসিদেন্ট এন এদিসননা হায়খি, ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টরনা মণিপুরদা খূদোল তৌরল্লবা নেসনল স্পোর্টস য়ুনিভর্সিটিনি। মসিদা স্পোর্টস মিনিষ্টরনা মৰা লৌদবা হায়বসি ফগনি খন্দে। মণিপুরদা ভাইস চান্সেল্লর পর্মেনেন্ট ওইনা ফমহনগদবনি। নোংজু মীফমদা পাস তৌনবগীদমক এন দি এদা য়াওরিবা পোলিটিকেল পার্টিশিংনসু পার্লিয়ামেন্টতা পাস তৌনবা থৌদাং লৌগদবনি। য়ুনিয়ন গর্ভর্মেন্ট অমদি ষ্টেট গর্ভর্মেন্টনসু য়েংশিনগদবনি। ভি সী অমদি রেজিষ্ট্রারনসু হায়বীগদবনি হায়নসু মখা তানা ফোঙদোকখি।

টেষ্ট থাহৌদবা কয়া খন্নবা হোৎনরিবা থৌওং য়াবা ঙল্লোই : কে এস এ

ইম্ফাল, জুন ০৭ (ঐচ এন এস):

কম্মন এন্ট্রান্স টেষ্ট (সী ঈ টি) থাখিবা মহৈরোয় খরতমক মিং চনবা ফংহল্লগা খঙন-চানবা সী ঈ টি থাহৌদবা মীওই কয়া খনবা য়ানবা হোৎনরিবা থৌওং য়াবা ঙল্লোই হায়না কংলৈপাক ষ্টুদেন্টস এসোসিএসন (কে এস এ)গী সেক্রেটরি জেনরেল এস হেমজিৎনা ফোঙদোকখ্রে।

কে এস এগী ওফিসতা ঙসি পাউমীশিংগা উনবদা এস হেমজিৎনা হায়খি, গভর্ণমেন্ট হায়র সেকেন্দরি স্কুল ১৪ গী মহৈরোয়শিং খন্নবগীদমক মে ১৩দা এদ্যুকেসন (এস)না লৌদুনা পাঙথোকখিবা সী ঈ টি অসি বোসেমনা লৌবা ক্লাস টেন এগজাম হায়দোক্লিঙৈদা পাঙথোকপা য়ারোই হায়না কয়ারক হায়খি।

এদ্যুকেসন (এস)না মীরমগী মতৌ তমদুনা অমদি প্রাইভেট স্কুলশিংগা কম্পিটিসন তৌদুনা গভর্ণমেন্ট স্কুল হিংগৎহন্নবনি হায়বগী মিংদা লমদম অসিগী লৈহাওগা চানৈ, চানদে খঙদনা নম্ফুদা সী ঈ টি অসি পাঙথোকখিবা অমদি সী ঈ টি থাহৌদবা মহৈরোয় অমত্তা এদমিসন তৌবা য়ারোই হায়না থবক তৌরুবদগী এগজাম অসিবু খঙহৌদবা অনকপা অমদি অরাপ্পা মফমদগী লাকপা মহৈরোয় কয়া ভিক্তিম ওইহল্লে। মহৈরোয়গী য়াইফনবা খনবগী মহুৎতা নংহৌররোই মতাগুম তৌশিনখ্রগা হৌজিক্লা সী ঈ টি থাখিবা মহৈরোয় খরতমক মিং চনবা ফংহল্লগা মাগী-মাগী খঙন-চানবা সী ঈ টি থাহৌদবা মীওই কয়া খনবা য়ানবা হোৎনরিবা থৌওং লূপনা য়াবা ঙল্লোই।

খঙন-চানবা মিং চন্নবা হোৎনবদা সী ঈ টি শরুক য়াখিবা মহৈরোয় কয়া মিং চনবা ফংলোইদৌরি। এদ্যুকেসন (এস)কী থৌওংশিং অসিনা পাঙথোক্লিবা সী ঈ টি অসি মমিংতগী অমদি শেল তানবা য়ানবা পাঙথোকপনি হায়বদা হায়মনবা থোক্লোই। হীরম অসিদা মরী লৈনবা ওঠোরিটিনা মীৎয়েং থমদুনা মহৈরোয়শিংবু মান্নবা মীৎয়েংদা য়েংবীয়ু। সী ঈ টি অদুবু মতিক ময়াই লৈহন্দুনা এদ্যুকেসন (এস) দিপার্টমেন্ট অসি ৱাখল তানা থবক তৌবা দিপার্টমেন্ট ওইহনবীয়ু।

ৱাফম অসিগী মায়োক্তা থবক তৌরল্লবদি লূপনা মহৈরোয়শিংগী য়েংদুনা চপ চাবা থবক পায়খৎকনি। মসিদা থোক্লকপা অফ-ফত্তগী তেকচাক এদ্যুকেসন (এস) অমদি মরী লৈনবা স্কুলশিংনা পুগদবনি। স্কুল-স্কুলশিংনসু মহৈরোয়শিংগী তুংগী পূন্সিগীদমক খন্দুনা মসিগী মায়োক্তা থবক তৌবীগনু হায়নসু মখা তানা ফোঙদোকখি।

হিয়াংথাংদা ফ্রী হেল্থ কেম্প পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, জুন ০৭ (ঐচ এন এস):

টাইপ রাইটিং ইন্সটিট্যুট অমসুং রুরেল দিভলপমেন্ট সর্ভিসনা শীন্দুনা মমাং থাগী ২ দগী চথরকপা দিসএবল্ডশিংগী স্কিল দিভলপমেন্ট প্রোগ্রামগা মরী লৈননা ঙসি হিয়াংথাং মখা লৈকায় কম্যুনিটি হোলদা লেম্না লায়েংবগী কেম্প পাঙথোকখ্রে।

উবগী পাঙ্গল ৰাৎলবা, তাবগী পাঙ্গল লৈত্রবা মীওই ৫০ রোম অমদি মফম কয়াদগী লাকপা মীওই ২২০ লোম লেম্না লায়েংখি। হীদাক লাংথকসু লেম্না পীখি।

কেম্প অদুগী মতাংদা টাইপ রাইটিং ইন্সটিট্যুটকী সেক্রেটরি ব্রোজেন্দ্রনা ফোঙদোকখিবদা, হিয়াংথাং লৌরেম্বমদা শোত্থরবা দিসএবল্ড-শিংনা মরোমদোম হিংজবা ঙম্নবা পান্দমদা স্কিল দিভলপমেন্ট প্রোগ্রাম অসি পাঙথোকপনি। প্রোগ্রাম অসিগী মনুং চন্না ফ্রী হেল্থ কেম্পসু চথবনি। তোঙান-তোঙানবা মফম কয়াদসু অসিগুম্বা ফ্রী হেল্থ কেম্প অসি পাঙথোল্লবা পান্দম থল্লি। হেল্থ কেম্প অসিদা হেল্থ দিরেক্টোরেটকী ডোক্টর ৩, নর্স ৪ য়াওনা অনা-লায়েংগী থবক চথখি হায়নসু টাইপ রাইটিং ইন্সটিট্যুট অমসুং রুরেল দিভলপমেন্ট সর্ভিসকী সেক্রেটরি রাজেন্দ্রোনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

থবক শূ হায়বগী চেরোল পীদ্রবদি খোঙজং চঙশিন্নবা শেম-শাবা লোইরে : য়ুনিয়ন

ইম্ফাল, জুন ০৭ (ঐচ এন এস):

এম এস পি দি সী এলনা ক্বেস ষ্টাফশিং মখা তানা থবক শূখো হায়রবদি অইবা চেরোল পীয়ু, পীদ্রবদি খোঙজং চঙশিনগনি হায়না ওল মণিপুর ক্বেস ষ্টাফ য়ুনিয়নগী জেনরেল সেক্রেটরি কে স্বদেশনা পাউমীশিংগা উনবদা ফোঙদোকখ্রে।

মণিপুর প্রেস ক্লবতা পাউমীশিংগা উনবদা কে স্বদেশনা হায়খি, এম এস পি দি সী এলগা য়ানখিবা এক্সটেন্সন অদু মতম খরগী মমাংদা লোইখিবদগী এম এস পি দি সী এলগী মায়কৈদগী থা ২ এক্সটেন্দ তৌরবা মতুং ক্বেস হায়রিবা কম্পেনি অসিনা থা ২ দি তেনমল্লি হায়দুনা এপ্রুভ তৌ হায়বা য়াখিদে। এম এস পি দি সী এলগী মখাদা লৈরিবা ক্বেস কম্পেনিগী মখাদা লাইনমেন পূন্না ২৩৫ নি। মীওই ২৩৫ অসি এম এস পি দি সী এলনা মখা তানা থবক শূখো হায়রবদি অইবা চেরোল পীবীয়ু হায়বদা পীবা ঙমদে। কন্ট্রেক্ট বেসিস্তা টার্ম অনী অহুল্লক এগ্রীমেন্ট সাইন তৌদুনা থবক শূরগা লাক্লিবনি। এগ্রীমেন্ট মতম লোইবদগী কম্পেনি অসিদা হায়রুবদা থা ২গী এগ্রীমেন্ট অমুক কন্ট্রেক্ট বেসিস্তা চেরোল পীরকই, চেরোল অদু ঐখোয়না উবসু নত্তে। এম এস পি দি সী এলগী ওফিসলশিংনা মখা তানা তোলোপ চাং নাইনা পীগনি হায়রকখি। এম এস পি দি সী এলনা থৌদাং লৌগদৌরিবা অদু অইবা চেরোল ওইনা খঙহনবীয়ু হায়বনি।

খঙহৌদনা অশোক-অপন, অশি-অনা য়াওরকপা তারবদি থৌদাং অদু কনানা পুগদৌরিবনো হায়বদা পাউখুম অমত্তা পীরকখিদে। ঐখোয় থবক শূজরগে করিগুম্বা এক্সিদেন্ট থোকপদা কনানা থৌদাং পুগদৌরিবনো হায়বা অইবা চেরোল পীয়ু হায়বদা এম এস পি দি সী এল অমদি ক্বেসকী মায়কৈদগী পীবা ঙমদ্রে। ক্বেস ওপরেটর হেদ ওইরিবা অসিনসু য়াশিন্নবা হোৎনগে হায়রগা অঙাং থেন্নবগী মওংদা চত্থরি। ষ্টাফশিংনা তৌরিবা থবক অসি লন্নাইগী নত্তে। মীয়ামগী ইন্টরেষ্টতা থবক চৎপনি। থবক শূ হায়রবদি অইবা চেরোল পীদুনা খঙহনবীরো নৎত্রবদি ওর্গনাইজেসনশিংগা খূৎশম্ন রগা খোঙজং চঙশিল্লগনি। হৌজিক ষ্টাফ অমসু মৈ শেন্নবদা চিংবদগী জেনিমসতা অরুবা ফীভমদা লায়কন্নরিবনি। মসিগী থৌদাং এম এস পি দি সী এল অমদি ক্বেসনা লৌবীদ্রি হায়নসু ফোঙদোকখি।

এ আরনা এক্সিদেন্ট ভিক্তিম অনী কনখ্রে

ইম্ফাল, জুন ০৭ : ইম্ফালদগী মোরে তম্না চৎপা মারুতি ভেন (এমএন০১কে ৬২১১) অমা ঙসি অয়ুক পুং ৯.৩০ রোম তাবা মতমদা তেংনৌপল দিষ্ট্রিক্টকী লোকচাও ভিলেজ মনাক্তা খোং অমদা তাশিনখ্রে। এক্সিদেন্ট অদুদা মারুতি ভেন অদুগী দ্রাইভর কেনেদি (৩৩) অপোকপা ইবোমচা অমসুং কো দ্রাইভর সনাথোই (১৮) অপোকপা নোংয়াই শোকখি। মখোয় অনীমক থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা য়াইরিপোক খোইরোমদগীনি হায়রি। মখোয় অনীমক মখোঙ অমসুং মকোক্তা শোকখি। এক্সিদেন্ট অদুদা শোক্লিবা মীওই অনীমক ১২ শুবা অসাম রাইফলসকী য়ুনিট হোস্পিটালদা পুখৎতুনা খুদক্তা ফর্ষ্ট এইদ পীখি। ১২ শুবা অসাম রাইফলসকী মেদিকেল টিমনা খুৎলৈ থুনা মতেং পাংবদগী মমল য়াম্বা মীচম অনীগী পুন্সি কনখি।

দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটাল শাবীয়ু : লূপ

ইম্ফাল, জুন ০৭ : শগোলমাংদা দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটাল শাবগী লমগী ৱাফম লৈঙাক্লা অতেনবা মতমদা লোইশিন্দুনা মায়কৈ অসোমগী মীয়ামগী খল্লগা দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটাল শাবীয়ু হায়না ফুর্জুনুপী লূপ ইম্ফাল ইষ্টকী এদভাইজর থাংজম ওংবী ইনাওনা ফোঙদোকখ্রে।

মণিপুর প্রেস ক্লবতা ঙসি পাউমীশিংগা উনবদা থাংজম ওংবী ইনাওনা হায়খি, শগোলমাংদা দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটাল শাগনি হায়না উরেপ-উয়ুং তল্লগা ইনৌ নৌনা অমুক কৈরাওদা শানবা উরেপ-উয়ুং তম্বদা খুন্দ্রাকপম এ সীগী মীয়াম্না ঈহৌ হৌখি। ঈহৌদা মীওই কয়ামরুম অশোক-অপন নংখি। অৱা-অনা খাঙদুনা লৈরি। সিনিয়র সিটিজন খুন্দ্রাকপম কেন্দ্র, অহল-লমনশিংনা দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটাল শগোলমাংদা শানবগীদমক চীফ মিনিষ্টর অমদি হেল্থ মিনিষ্টর উনখি। সী এম অমসুং হেল্থ মিনিষ্টরনা শাগনি হায়না ফোঙদোরকপগীদমক থাগৎলি। এ সী অসিগী খনবীদুনা হোস্পিটাল শানবগীদমক হোৎনরিবা অসিগীদমকসু থাগৎলি। হৌজিক শগোলমাংদা দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটালগী লমগী ৱাফম অসি অতেনবা মতমদা লোইশিন্দুনা লমদম অসোমগী মীয়ামগী খল্লগা দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটাল শাবীয়ু হায়নসু মখা তানা ফোঙদোকখি।

লালহৌবনা কিহল্লক্লে হায়না...

লামায় ১গী মখা... হায়খি মদুদি, চহী ৭ মণিপুরদা পোষ্টিং তারিঙৈদা তোঙান তোঙানবা মিলিটেন্ট গ্রুপশিংগী মীওই ১০০ রোম সরেন্দর তৌহনবা ঙমখি। জম্মু এন্দ কাশ্মিরগী কুপৱারা সেক্তরদা চথখিবা ওপরেসন্দা শোকপদগী চাদা ৬০ গী চাংদা হকচাংগী শরুক মীমান্নদ্রবা হর্পিট সিংহনা হায়খি মদুদি, পি এল এগী লুচিংবা রোবিন লুৱাংগী মরমদা অরোনবা পাউ লৌনবা হোৎনরুবগীদমক লেফটিনেন্ট কর্নেল টি ঐচ লুৱাংচানা শেমজিন-শাজিনবা মরাল কয়া শিরকখিবনি। কুমজা ২০০২ দা সেনা মেদল (গেলেন্টরি) ফংখিবা হর্পিট সিংহগী পিটিসন্না হায়খি মদুদি, মকোক থোংবা ওফিসলশিংদা পাউ পীনবা হোৎনরুবগীদমক লেফটিনেন্ট কর্নেল লুৱাংচানা শেমজিন-শাজিনবা মওংদা শেঞ্জা-থুমজাগী মরাল শিরকখিবনি। সী বি আই, কোলকাটাদা এফ আই আর অমা ফাইল তৌরবা মতুংদা হর্পিট সিংহবু প্রিভেন্সন ওফ করপসন এক্টকী সেক্সন ১৩ গী মখাদা মরাল শিরকখি। এফ আই আর অদুগী মায়োক্তা মহাক্লা কলকাটা হায় কোর্টতা পিটিসন অমা ফাইল তৌখি। অদুবু কেস অসি ইম্ফালদা ট্রান্সফর তৌরকখিবগা লোয়নননা সেসন কোর্ট অমদা ট্রাইয়েল চথরি। লেফটিনেন্ট কর্নেল লুৱাংচাসু মণিপুরদগী অলাহবাদতা ট্রান্সফর তৌখিবগা লোয়নননা হৌজিকমক্কী ওইনা কদায়দা লৈরিবগে হায়বা চপ চানা খঙদে হায়না হর্পিট সিংহগী পিটিসন অদুনা ফোঙদোকখি।

স্কুলদগী তান্থোকপা অঙাংদা...

লামায় ১গী মখা... লাউথোকপা নুমিৎতগী পারগা নুমিৎ ৩০ নিগী মনুংদা পীনবসু খঙহনখি। স্কুল ওঠোরিটিনা ফোঙদোরকখিবগী মতুংইন্না, নুপীমচাদু হৌখিবা ২০১৭ কী নবেম্বরদা পাঙথোকখিবা ফাইনেল এগজামিনেসন মনুংদা শিল্লিঙৈদা ফাখি অমসুং মদুগী চৈরাক ওইনা মহাকপু এগজামিনেসন ফম্বা য়াহনখিদে। তুংদা স্কুল ওঠোরিটিনা মহৈরোয় নুপীমচা অসিদা ট্রান্সফর সর্টিফিকেট পীখি। থৌদোক অদুনা অঙাং ওইরিবী নুপীমচা অদুবু থম্মোয় শোকহনখি অমসুং মহাক্কী ৱাখলদা য়াম্না নুংঙাইতবা পোকখি। মদুনা মহাক্কী মহৈ-মশিন তম্বদা শাথীনা অকায়বা পীখি।

মহৈরোয় অদুগী অপোকপনা থাখিবা এপ্লিকেসন অমগী পাউখুম ওইনা জেদ ঈ ও ৱাঙ্গৈইনা কেথলিক স্কুল কাঞ্চিপুরগী প্রিন্সিপালদা ট্রান্সফর সর্টিফিকেট কল্লগা নুপীমচাদুবু ২০১৮ গী একাদেমিক সেসনদা চানগদবা ক্লাসতা অমুক হন্না মিং চলহন্নবা খঙহনখি। অদুম ওইনমক প্রিন্সিপালনা ৱাফমদু ঙাকখিদে।

মহৈরোয় অদুগী অপোকপনা কম্মিসন অসিদা চহী অসিগী জন্যুৱারী ১০ দা রাইট ওফ দি চিলদ্রেন টু ফ্রী এন্দ কম্পলসরি এদ্যুকেসন (আর টি ঈ) এক্ট, ২০০৯গী সেক্সন ৩১(১) অমসুং ৩২(৩) গী মখাদা অতোপ্পা এপ্লিকেসন অমা ফাইল তৌখি। কম্মিসনন মদুবু আপিল কেস ওইনা লৌশিনবগা লোয়নননা কম্পেন্সেসনগী য়াথং অসি কেথলিক স্কুল কাঞ্চিপুরগী প্রিন্সিপালদা পীখিবনি।

বাইও দিজল শুংনবা অৱা কেগে...

লামায় ১গী মখা... সাইন্টিষ্ট অসিনা মখা তানা হায়, ঐখোয়না করিগুম্বা চুম্নগী দিজল থাউগা জট্রোফা কুরকাস বাইও দিজলগা খেন্নবা উৎলগদি জট্রোফাগী স্পেসিফিক গ্রেভিটি অসি ০.৮৬০ দগী ০.৯৩৩ ওই। অদুগা দিজলনা ০.৮২ দগী ০.৮৬ ফাওবা ওই। ঐখোয়না ইরায় লায়না জট্রোফাদগী থাউ লৌবগী মওং হায়রগদি প্রোসেসিং অসিনি। মসি প্রোসেস তৌবদা সেপরেটেদ শেল কৌবা অমনা মতেং পাংই। মসিগী মতেংনা ঐখোয়না য়ামদ্রবদা চাদা ৯০ দগী তাদনা থাউ ওন্থোকহনবা য়াই। মসিদগী ট্রান্স-ইষ্টেরিফিকেসন অসি তৌদুনা থাউ অদু প্যুরিফাই তৌগনি। প্যুরিফাই তৌনবা হোৎনবদা ঐখোয়না মিথানোল অমসুং সোদিয়ম কেমিকেল শীজিন্নে হায়রি।

রিমসকী ও পি দি ওনলাইনদা...

লামায় ১গী মখা... অদুমক দূরদর্শন নেসনলনা লাইভ টেলিকাষ্ট তৌগনি।

ও পি দি পেসেন্টশিংগী ওনলাইন রেজিষ্ট্রেসন সিষ্টেম (ও আর এস) গী খূদোংচাবা রিজনেল ইন্সটিট্যুট ওফ মেদিকেল সাইন্সেস (রিমস) হোস্পিটাল ইম্ফালদা লৈরে। খূদোংচাবা অসি দিজিটেল ইন্দিয়া প্রোগ্রামগী মখাদা মিনিষ্ট্রি ওফ হেল্থ এন্দ ফেমিলি ৱেলফেয়র, গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়ানা মিনিষ্ট্রি ওফ ইলেক্ট্রোনিক্স এন্দ আই টি, গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়াগা খূৎশম্নরগা পায়খৎপা ঈ-হোস্পিটাল প্রোগ্রামগী শরুক অমনি। মসিনা পেসেন্টশিংবু ইন্টর্নেটকী খূদোংচাবা য়াওবা কম্প্যুটরশিং নৎত্রগা মোবাইল ফোনদগী ও পি দি রেজিষ্ট্রেসন বুক তৌবা য়াহল্লি। ও আর এস ফেসিলিটি অসি ৱেবসাইট www.ors.gov.in গী খূথাংদা ফংগনি হায়রি।

শান্নরোয়শিংনা এম এস এফকী ওফিস...

লামায় ১গী মখা... তুংদা ইন্দিয়াগী পুৱারীদা অহানবা ওইনা ৰুশু মশান্নদা ৱর্ল্ড চেম্পিয়নশিপ ফংবা ঙম্বা শান্নরোয়শিং পুথোকখ্রে। মসিগী মতুংদা এসিয়ন চেম্পিয়নশিপতা ইন্দিয়াগী অহানবা গোল্ড লৌবসু মহাক্লা শেন্বা শান্নরোয়নি। অসুম্না শান্নরোয়শিংনা চহী লিশাং শীৎনা অফবা ওইরকপা অসিদা কল্লকপা য়েংশিনবীবা মীওই খরনা লান্না হায়জিল্লগা ব্রজিলদা পাঙথোক্কদবা ৱর্ল্ড চেম্পিয়নশিপকী সেলেক্সনদা মীতৈ মচা খন্দে হায়বগী মিংদা মহাকপু ফূহনবনি।

অচুম্বা তৌরিবনা কনানো, অরানবা তৌবনা কনানো হায়বা এম এস এফনা অমত্তা খঙদনা লৈবাক্কীদমক শিবা, চঙবা কিদনা শান্ননবগীদমক থৱায় থারগে থানা লৈরিবা মঙোন্দা ফূ চৈরকপসি থম্মোয় শোক্লা নুংঙাইতে হায়নসু মহাক্লা মখা তাখি। লূপ অমনা মী অমবু অচুম-অরান খঙদনা খূৎ থাবা য়ানিংদে। মখোয়দা খূৎ থাবগী ওঠোরিটি লৈঙাক্লা পীব্রা। থৌদোক অদু মীয়াম্না অচুম-অরান থিদোকপীবা পাম্মী।

অমরোমদা, এম এস এফকী জেনরেল সেক্রেটরি ওকেন্দ্রো হৈস্নামনা ৰুশুগী কোচ মাইবম প্রেমকুমারদা এম এস এফকী থৌমীশিংনা খূৎ থাখিবা লৈতে হায়না ফোঙদোকখ্রে।

মণিপুর প্রেস ক্লব ইম্ফালদা পাউমীশিংগা উনবদা মহাক্লা হায়খি, চহী অসিগী জুলাই ৯ দগী ১৬ ফাওবা ব্রজিলদা পাঙথোক্কদৌরিবা ৱর্ল্ড জুনিয়র ৰুশু চেম্পিয়নশিপকীদমক হৌখিবা মেগী ১৫ দা ভোপালদা ট্রাইএল সেলেক্সন অমা পাঙথোকখি। ট্রাইএল সেলেক্সন অসিগী চীফ জজ মাইবম প্রেমকুমারনা ওইখি। ট্রাইএল সেলেক্সন অদু পরম চুম্না পাঙথোকখিদে হায়না শান্নরোয়শিংগী গার্জিয়ানশিংনা জুন ৫ দা এম এস এফতা ৱাকৎলকখি। হীরম অসিগী মতাংদা অচুম-অরান পুথোকমিন্নসি হায়দুনা কোচ অসিবু জুন ৬কী পুং ১ দা লাকপীনবা খঙহনখি। অদুবু, মতম চানা লাক্তবগী মরম হংলুবদা নাতৈ চাদবা পাউখুম পীরকখি। মদুদা অৱায়-অখুম খরা তৌনখিবা নৎতনা খূৎ থাখিবা লৈখিদে।

মহাক্লা মখা তানা হায়, থৌদোক অদুগী তুংদা ঙসি অয়ুক কোচ প্রেমকুমারবু শৌগৎপা কাঙবু খরনা এম এস এফকী ওফিস অকায়-অতোয় থোকহল্লমখি। প্রেমকুমার অমদি মহাকপু শৌগৎপা কাঙবু খরনা এম এস এফপু মিংচৎ থীহন্নবা হোৎনবসি লেপকদবনি। লোয়নননা মরী লৈনবশিংনা হীরম অসিগী অচুম-অরান থিদোকপীদুনা মরাল লৈবশিং চৈরাক পীগদবনি। এম এস এফকী ওফিস থুগায়বদা চেন্নবশিংনা পুং ২৪গী মনুংদা মখোয়না তৌরুবা থবক অদুগীদমক মীয়ামদা শেংদোক্কদবনি হায়নসু দিমান্দ তৌরি।

ইন্টরনেসনেল দ্রগ...

লামায় ১গী মখা... মহাক্কী মায়োক্তা ষ্টেটমেন্ট পীবা কীবদগী কোওপরেসন ইপি পীদে। ইন্টরনেসনেল দ্রগ কার্তেল অসিগা শম্নরিবশিং হেন্না খঙনবা এন এ বিনা দিল্লি পুলিস, নার্কোটিক্স কন্ট্রোল ব্যুরো (এন সী দি) অমসুং অতৈ লো ইনফোর্সমেন্ট এজেন্সীশিংগা ঈ-পাউ ফাওনরি। ইনভেষ্টিগেসন চথবদা মীওই অসি কেস কয়ামুক্তা চেন্নবা ৱান্তেদ ক্রিমিনেল অমনি হায়বদু খঙবা ঙল্লে হায়রি। এন এ বি অমসুং থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট পুলিসনা ইন্টরনেসনেল দ্রগ কার্তেলগী কিংপিন অসি লাং থাক্তুনা হৌখিবা মে ৩০ দা থৌবালদগী ফাখিবনি। ফারবা এক্যুজ অসি জুন ১১ ফাওবা পুলিস কষ্টদিদা রিমান্দ পীখ্রে। মীওই অসি দ্রগতা নত্তনা লোনা য়াদবা বোর্দর লান্না খুৎলায় লল্লোনবা, সনা স্মগলিং অমসুং গাড়ী হুরানবদসু চেন্নে।

অসিগুম্বা তমথিরবা মীওই অসি জেলদা লৈরবদি মণিপুরদা উরিবা দ্রগকা মরী লৈনবা অকিবশিং চাদা ৫০ হন্থরগনি হায়না ফোঙদোরকপগা লোয়নননা এন এ বিগী চেরোল অসিনা হায়রি মদুদি করিগুম্বা মহাক্কী মচানুপাশিং অমসুং এসোসিএটশিং ফারবদি দ্রগকী থৌদোকশিং, গাড়ী হুরানবা, সনা স্মগলিং, লোনা য়াদবা খুৎলায় লল্লোনবা অসি লেপখিগনি অমসুং মণিপুরগী মীয়াম হরাওনরগনি। নাবনা ফারবা মাসলে লিলোং হাওরৈবী কোলেজদা এটেন্দেন্ট ওইরম্মী। মহাক মমাং চহীদা রিটায়র্দ তৌরে হায়রি।

এন দি এ লৈঙাক্কী মায়োক্তা ওগষ্ট ১...

লামায় ১গী মখা... য়ারদুনা সী পি আই মণিপুর ষ্টেট কাউন্সিলগী সেক্রেটরি এল সোটিনকুমারনা হায়খি, দিল্লিদা পাঙথোকখিবা সী পি আইগী নেসনল এগজিক্যুটিব মীটিংদা তোঙান-তোঙানবা ইস্যু কয়াগী মতাংদা খন্ন-নৈনখি। মীফম অসিগী মাংওইননা সী পি আইগী নেসনল জেনরেল সেক্রেটরি সুধাকর রেদ্দিসু উনদুনা মণিপুরগী ওইবা ইস্যু কয়াগী মতাংদসু খন্ন-নৈনখি। সী পি আইগী নেসনল এগজিক্যুটিব কম্মিটি মীটিংদা সিটিজনশিপ এমেন্দমেন্ট বিলগী মতাংদসু খন্ন-নৈনখি। বিল অসি এন্টি কন্সটিট্যুসনেল ওইবা অমদি লমদম অসোমগী মীয়ামদা শোক্কদবা কয়া লৈবনা ৱিদ্রো তৌগদবনি হায়বা ৱারেপসু লৌখি।

ইন্দিয়া গভর্ণমেন্ট অমদি এন এস সী এন (আই-এম)গী মরক্তা ফ্রেমৱার্ক এগ্রীমেন্ট খূৎয়েক পীনখিবা অসিগী ৱারোলশিং মীয়ামদা খঙহন্নবা ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টতা তকশিনবা হায়নসু লেপ্পখি। এগ্রীমেন্ট অমা ৱারোইশিন পুরক্ত্রিঙৈগী মাংওইননা ষ্টেকহোল্দর ষ্টেটশিংগা নীংথিনা তানগদবনি হায়নসু লেপ্পখি। এন এস সী এন (আই-এম) অমদি ইন্দিয়া গভর্ণমেন্ট অনীগী মরক্তা ৱারী শানরিবা অসিগী মনুং চন্না ফ্রেমৱার্ক এগ্রীমেন্ট অসি কুমজা ২০১৫ দা খূৎয়েক পীনখিবনি। এগ্রীমেন্ট অসিদা করি য়াওরিবগে হায়বদু খঙহন্দবনা মীয়ামদা চমম্নবা কয়া পোকহল্লে। ফ্রেমৱার্ক এগ্রীমেন্ট অসিগী মনুংদা য়াওরিবা ৱারোলশিং মীয়ামদা নীংথিনা খঙহনফম থোকই। ইন্টরলোক্যুটর আর এন রবিনা পীখিবা ষ্টেটমেন্টনা মরম ওইদুনা মীয়ামদা খোইরাং খোইশাউনবা কয়াসু পোকহল্লে।

সেন্টরদা পাল্লিবা এন দি এ লৈঙাক্কী থৌওং-থৌশিলদা অশোয়বা কয়া লাক্লি। পোৎ-চৈগী মমল য়াম্না ৱাংখিবনা মীয়ামদা অৱাবা মায়োক্লরে। তরেৎশুবা পে চৎনহল্লু হায়না ষ্টেট অসিদা লৈরিবা লৈঙাক্কী ইমপ্লোয়ীশিংনা খোঙজং চঙশিন্দুনা লাক্লি। খোঙজং অসিদা সী পি আইনসু শৌগৎলি। তোঙান-তোঙানবা ষ্টেট কয়াদা তরেৎশুবা পে পীনখ্রবসু ষ্টেট অসিদা হৌজিক ফাওবা পীদনা লৈরিবা করিগীনো হায়বা ৱাফম লাক্লি।

নেসনল স্পোর্টস য়ুনিভর্সিটি মণিপুরদা লিংখৎকদৌরিবা অসিদা মমিংতগী ওইনা লিংবা চুন্নোই। মরুওইবা ফেকল্টি কয়া অমা মপান্দা পুননবা হোৎনবা য়াবা ঙল্লোই। নেসনল স্পোর্টস য়ুনিভর্সিটি মপূং ফানা মণিপুরদা থমগদবনি। ষ্টেট অসিদা তোঙান-তোঙানবা ইস্যু কয়া অমসু লৈরি। মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী হৌজিক ভি সী ওইরিবা অসি লৌথোকউ হায়না খোঙজং কয়া চঙশিল্লক্লি। হৌজিক ভি সী ওইরিবা অসিগী মতমদা একাদেমিক এটমোস্ফেয়রদা শোথবা কয়া লাক্লি। মতিক চাবা ভি সী অমা শীন্দোকফম থোকই হায়নসু ফোঙদোকখি।

NIELIT, Imphal
রা.ই.সূ.প্রৌ.সং
NIELIT
(An Autonomous Scientific Society of Ministry of Electronics and Information Technology, Govt. of India)
Akampat, Imphal East, 795 001, Manipur

Advertisement For Summer Training Programme

Sl. No.	Name of Course	Duration	Timing	Minimum Eligibility	Normal Fee+GST (Rs.)
1.	Introduction to C & OOP's concept	4-Weeks (80 hrs)	9:00 a.m to 1:00 p.m	Class X Passed with knowledge of Computer	5900
2.	LAMP (Linux Apache my SQL and PHP) - Web Development	4-Weeks (80 hrs)	9:00 a.m to 1:00 p.m	Class XII Passed with knowledge of Computer	5900
3.	Linux Environment with shell & AWK programming	4-Weeks (80 hrs)	9:00 a.m to 1:00 p.m	-Do-	5900
4	Introduction to Java Programming	4-Weeks (80 hrs)	9:00 a.m to 1:00 p.m	-Do-	5900

Note: i)Last date of admission : 13th June 2018
ii)Starting of the course : 14th June 2018

(Details for Admission can be obtained from the Institute during 9:30 a.m to 5:00 p.m on all working days (Monday-Friday).

Sd /-
Executive Director
NIELIT, Imphal

HL-B/4685/8